# ৱেটলিফটিং থৱায় য়াওনা শান্নজরকখিবা প্লেয়র অমা ওইনা সঞ্জিতা চনুনা ওলিম্পিক মেদল অমদি খুদোল তৌবা পাম্লি



(হান্নগী মখা...)

মখা তারকপদা কুমজা ২০১৬কী এপ্রিল ২১দগী ৩০ ফাওবা উজবেকিষ্টানগী টাসকেন্টদা এসিয়ন ৱেটলিফটিং চেম্পিয়নশিপ তাখি। হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অদু রিও ওলিম্পিক গেমসকী মরু ওইবা ক্বালিফিকেসনগী চাংয়েং অমসু ওইখি। টাসকেন্টদা তৌখিবা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরদগী নুপী লিফটর ঐখোয় অহুম সাইখোম মিরাবাই চনু, শগোলশেম থাস্না চনুগা ঐহাক্কা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌখি। ইন্দিয়াগী ওইনদি ঐখোয় নুপী লিফটর তরেৎ চৎখি।

এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ অদুদা ঐহাক খিত্তং পার্ফোমেন্স ফজরম্লগদি রিও ওলিম্পিক ২০১৬কী ক্বালিফাইদ ওইরমগদবনি। ঐনা হান্না প্লেটফোর্মদা তৌখিবশিং অদু কম্পিটিসন্দদি ঙমখিদে। ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তসু লিফ অমা মিস তৌখিবা, এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ্তসু রেঙ্কিং পোইন্ট য়ৌখিদবা অদুনা ঐহাক দাউন্দ চৎখি। কুমজা ২০১৬কী রিও ওলিম্পিক অসিদা ঐহাক ফুল হোপ থমজরম্বনি। অদুবু খ্বাঙসি বেক পুল চিংবদা চৎখিবদগী নীংবা কায়খি।

অমরোমদা, এন আই এস পটিয়ালাদা কুমজা ২০১৬কী জুন ১৭তা ফেদরেসন্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক ট্রায়লদা মিরাবাই চনুনা কিলোগ্রাম ৪৮গী কেটেগোরিদা স্নেচতা ৮৫, ক্লিন এন্দ জর্কতা ১০৭ পূন্না কেজি ১৯২ থাঙ্গৎতুনা নেসনল রেকোর্দ অনী থুগাইরগা রিও ওলিম্পিক ২০১৬কী ক্বালিফাইদ ওইদুনা ওলিম্পিক্তা শরুক য়াখি।

নীংশিংবা য়াবা অমনা, কুমজা ২০০৪গী এথেন্স ওলিম্পিক্কী ট্রায়লদা হায়রিবা ৱেট কেটেগোরি (কিলোগ্রাম ৪৮) অসিদা এন কুঞ্জরানিনা স্নেচ অমদি ক্লিন এন্দ জর্কতা কিলোগ্রাম ১৯০ থাঙ্গৎতুনা নেসনল রেকোর্দ থম্লমখিবনি। অদুবু মিরাবাইনা কিলোগ্রাম অনী হেন্না অমুক থাঙ্গৎপা ঙমদুনা ন্যু রেকোর্দ থম্বগা লোয়ননা য়াম্না চহী নৌনা ওলিম্পিক এরেনা য়ৌবা ঙমখিবনি।

কুমজা ২০১৬কী রিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াবা ঙমখিদবদগী মখা তানা সঞ্জিতা চনু লেপ্তুনা শান্নরকখি। কুমজা ২০২০দা টোকিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমসতা মীৎয়েং অমুক থম্লকখি। পুন্সিগী থেঙ্খাং কয়াদা থেংনরকখিবা অৱা-নুংঙাই কয়াগী মখা তাবা পাউদম পীরদুনা লিফটর অসিনা অসুম্না লীবিরকখি। ঐগী ওইনদি কুমজা ২০১৫ অসিদগী শান্নবসি খিত্তং দাউন চৎপগুম তৌখি। অদুবু ঐহাক নিংহন্নবা হায়বদুদি শুকলৈ লৈরকখিদে। ঐনা খরা নুংঙাইখিদবসি কুমজা ২০১৫গী ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা লিফ অমা মিস ওইখিবদুসু অমনি। মদুদা মিস ওইরমদ্রবদি ঐহাক রিও ওলিম্পিক্কী চান্সতি ফজনা লৈজরম্বনি। অদুগা ওলিম্পিক মেদলসু পুরক্লস্বা য়াবনি।

রত্নেশ্বরি গোস্বামী

ৱেটলিফটিংদা মীৎয়েং অমা

পূম্নমক্তু লোইনা হৌখ্রবনিনা ঐহাক কুমজা ২০২০দা অকনবা মীৎয়েং থমদুনা শান্নবা অমুক হৌজরকখি। কুমজা ২০১৬কী চহী লোইশিল্লকপা মতম শ্বাইদগীদি ঐহাক্কী ৱেটসি কিলোগ্রাম ৫৩দা কারো হায়দুনা কোচশিংনা হায়বিরকখি। অদুদগী ঐহাক কেজি ৫৩দা অমুক ট্রেনিং তৌজরকখি। ৱেট মঙা হেঙ্গৎলকপা হায়বসি ঐঙোন্দদি হেন্না হোৎনদবা য়াদবা মতাং অমা লাকখি।

ঐনা কেজি ৫৩দা শান্নরকপা হায়বসি ইশাগী ৱেটতি ৪৮ খক্তা ওইবনা ৱেট হেঙ্গৎননবা অহানবদা হোৎনজরকখি। মদুসু ঐঙোন্দদি অৱাবা অমা ওইখি। মতমদুদসু ঐহাক টেন্সন য়াম্না লৈখি। ঙম্ননবা হোৎনবদা অকনবা ট্রেনিংসু তৌজরকখি। কুমজা ২০১৭কী কম্মন ৱেলথ চেম্পিয়নশিপ্তা ঐহাক কিলোগ্রাম ৫৩দা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন দুনা শান্নজরকখি। মদুদা গোল্ড মেদল লৌজরকপগা লোয়ননা গোল্ডকোষ্টতা কুমজা ২০১৮দা পাঙথোকখিবা ‘কম্মনৱেলথ গেমস’ তা শরুক য়াবা ঙমজরকখি। লোয়ননা অনীরকশুবা ওইনা কম্মনৱেলথ গেমসতগী সনাগী মেদল পুরকখি। গোল্ডকোষ্টতা চৎখিবা মতমদুদা মিরাবাইসু কিলোগ্রাম ৪৮দা গোল্ড মেদল ফংলকখি।

অসুম্না লাকপনা কুমজা ২০১৮গী মে ১৫দগীদি খ্বাইদগী নুংঙাইতবা মরম চাদবা থৌদোক অমনা ঐবু লৈখাদা চিংথনবা হোৎনরকখি। অদুবু অচুম্বা অমগীদমক ময়েক শেংনা লেপ্পা পামজবদগী থা ৭/৮ রোমদি ঐহাক অকনবা লান্থেং অমা চখ্খদুনা লাকখি।

ঈজৎ মাঙলবা শান্নরোয় অমা ওইনা ইশাগী করিয়র লোইশিনবা পামদবদগী অচুম্বা মশক খঙননবা ঐহাক হনবা নাইদনা অখাঙ কনবা অমগা লোয়ননা থিরকখি। কুমজা ২০১৮ অসি ঐগী ওইনদি থম্মোয় শোকপা, চমম্নবা পুন্সিগী তাঙ্কক অমা হায়বদুসু ওইরগনি। চহীদুগী মে থাদগীদি খুম লম্পাক্তা লাক্লবসু ইশামক্লা চহী কয়া চুপ্না শান্নজরকখিবা ট্রেনিং হোলদফাওবা ঐহাক চঙবা ঙমখিদে। শান্নমিন্নরকখিবা ইশুং ইমান্নবশিং, ওজাশিংনা ঐবু করি ওইনা উরমগদগে খনবদা তৌফম খঙখিদে। কুমজা ২০১০দগী ইন্দিয়াগী নেসনল কেম্পতা চাউরকখিবী শুপ্নগী অমকপা দাগ অমত্তসু লৈতনা শান্নরকখিবী ঐহাক্লা অসুক হঙ্গোইবা ফজদবা থৌদোক অমা মায়োক্লবা য়াব্রানে হায়দুনা থা কয়াসি হংদুনতা লাকচখি।

পূম্নমক অসি থৌনা লৈনা থেংননবগীদমক, গেম অসি শান্নজবদা ফংলকখিবা লাক্ষ কয়া শীজিন্নদুনা অরোইবা থাক ফাওবা ঐহাক হোৎনজখি। মদুগী রিজল্ট করিগুম্বা খরদি কুমজা ২০১৯দগী জন্যুৱারী ২২দা লাকখ্রে। লোয়ননা চহীসিগী ফেব্রুৱারী ১দগীদি থা ৯ রোম শান্নবা লেপ্লুরবা মতুংদা তপ্না তপ্না ট্রেনিং হৌজরে। ৱেটলিফটর শান্নরোয় অমা ওইনা ওলিম্পিক মেদল অমা খুদোল তমগে খঞ্জরকপদু ঙম্নবা হৌজিক্তি থৱায় হকচাং য়াওনা অরোইবী থাক্তা হোৎনজরগে হায়না খঞ্জরে। লমদমসিগী মীয়াম্না ওজা-গুরুশিংনা, অঙম অথৌ পূম্নমক্না থম্মোয় শেংনা তেংবাঙবীরকপদগী ঐহাকপু অমুক হন্না শান্নবা ঙমহনবীরকপনি। মসিগীদমক থাগৎচরি। - লোইরবা-

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৮৮


১। অহানবা অমসুং অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাওদা ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ন খরদি মমা লৈবাক্কীদমক লাঞ্জাওশিং অসিদা শরুক য়াখি। মখোয়গী মনুংদা অনীশুবা লাঞ্জাও কুমজা ১৯৪০দা **KARELIAN ISTHMUS** তা য়েক্লবনা হাৎখিবা অমা য়াওই। মহাক্কী মমিং করি কৌবগে?

২। ক্রিকেট টেষ্টতা রন ২০০০ অমসুং ৱিকেট ২০০ পূন্না অহানবা ওইনা লৌবা ঙমখিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। মণিপুরদা **"PUBLIC SPORT MEET"** হায়না খঙনবা অচৌবা স্পোর্টস অমা পাঙথোকখি। স্পোর্টস অসি অমুকখক্তমক পাঙথোকখি। অনীরকশুনা পাঙথোকখিদে। করম্বা চহীদা স্পোর্টস মীট অসি পাঙথোকখি?


৪। খুরাইজম অঙৌ মুক্না যাত্রানি। মহাক মণিপুরগী করম্বা নিংথৌগী হাক্তক্তা মমিং চৎলম্বা মুক্নারোইনো?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা **hueiyensportsquiz@gmail.com** দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহেগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী ড্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগ প্রী ক্বার্টরদা পি এস জি অমসুং রোমা মায় পাকখ্রে



লন্দন, ফেব্রুৱারী ১৩ (এজেন্সী)ঃ য়ুরোপ কন্টিনেন্টকী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেলগী মেচশিংদা ফ্রান্সকী পেরিস সেন্ট জর্মেন অমসুং ইটালিগী রোমা মায় পাকখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা লন্দন্দা লৈবা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লবনা য়ূম্বু ওইরবা ফ্রান্সকী পেরিস সেন্ট জর্মেনগা শান্নখিবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদু পেরিসকী ক্লব অদুনা ২-০দা থোইখি। টিম অনীমক অহানবা হাফতা পাঞ্জল অমত্তা চন্নখিদে। পি এস জিগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল অদু ৫৩শুবা মিনটতা পেজনেল কিমপেম্বেনা চনখি। মহাক্কী মতুং মিনট ৭ লৈরগা নহা ওইরিবা শান্নরোয় কিলিয়ান মাপেনা ৬০শুবা মিনটতা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনশিল্লগা থোইখিবনি। অনীশুবা লেগ মার্চ ৬তা শান্নরগনি।

ইটালিগী রোম সিটিদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা য়ূম্বু রোমানা পোর্টুগালগী ফুটবোল ক্লব পোর্টোবু ২-১দা থোইখি। পাঞ্জল অহুম্মক অনীশুবা হাফতা চনখিবা ঙাক্তনি। অহানবা পাঞ্জল অদু রোমাগী মায়কৈদগী নিকোলো জানিওলোনা ৭০শুবা মিনটতা চনখি। মহাক্না অমুক হন্না ৭৬শুবা মিনটতা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। পোর্টোগী মায়কৈদগী এড্রিয়ান লোপেজনা ৭৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা হন্দোকখি।

# হিরো গোল্ড কপ ৱুমেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়া মায়থীহৌরে, ফাইনেলদা ম্যানমারগা নেপালগা লম্বা তৌনরগনি



ভুবনেশ্বর, ফেব্রুৱারী ১৩ (এজেন্সী)ঃ ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা ওরিষাগী কোনুং ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিঙ্গা ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা হিরো গোল্ড কপ ৱুমেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা অরোইবা রাউন্দ রোবিন মেচ অমদা ম্যানমারগী মখুত্তা পাঞ্জল ০-২দা মায়থীবা নংখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা ম্যামনারনা নেপালদা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসি থা অসিগী ৯দগী হৌখিবনি। অহৌবা নুমিত্তা ইন্দিয়া অমসুং ইরান শান্নখিবদা ইন্দিয়ানা পাঞ্জল ১-০দা মায়পাকখি। অদুগা থা অসিগী ১১দা শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা নেপালগী মখুত্তা পাঞ্জল ০-২দা মায়থীদুনা ঙসিগী মেচ অদু মায়পাক্তবা য়াদবা য়াম্না মরুওইবা মেচ অমা ওইখি। অমরোমদা ম্যানমারগী টিম অসিনা মমাংদা শান্নখিবা মেচ অনীম্মক মায়পাক্তুনা মাংজৌননা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবনি। মখোয়না অহানবা মেচতা নেপালবু পাঞ্জল ৩-০ থোইখি। মদুগী মতুং অনীশুবা মেচতা মখোনা ইরানবু পাঞ্জল ২-০দা থোইখিবনি।

ঙসিগী মেচ অদুগী অহৌবা মিনট অনীশুরকপদা য়াম্না থুনা ম্যানমারনা বোল অমা ইন্দিয়াগী মায়কৈদদা পুশিল্লকখি। টিম অদুনা কাওশিনখিবা বোল অমা ইন্দিয়াগী গোলকিপ্পর অদিতি চাউহাননা য়াম্না ফজনা বোল অদু কলেক তৌবা ঙমহৌদবদগী হায়দোরকপা বোল অদু ম্যানমারগী ষ্ট্রাইকর জুলাই কিয়োনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মেচ অদুদা ইন্দিয়াবু পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

ইন্দিয়াগী গোলকিপর অদিতি চাউহানগী অশোয়বা অদুনা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংগী মথক্তঃ অহেনবা প্রেসর অমা পীশিনখি। হৌরকপা পাঞ্জল অমা অরেম্বদা পীথোকখ্রবা মতুং ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং রিদম অমত্তা পুরকপা ঙমখিদে। মিনট ৫গী মতুংদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদু খর চুংশিন্নবা হৌরকখি। ৬শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী ফংখিবা ফ্রি কিক অমা অশালাতানা কাওশিনখি। বোল অদু ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় মনিসানা ম্যানমারগী পেনাল্টি এরিয়াদা ফংখ্রবসু নীংথিনা হেদ তৌশিনবা ঙমখিদবদগী পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা তাঞ্জা অমা ইন্দিয়ানা মাঙজখি।

এটেক্ট চৎখবগী চাং ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী হেঞ্জিল্লকখি। বোল অদু ম্যানমারগী মায়কৈদা তোয়না পুশিল্লকখি। ইন্দিয়াগী সঙ্গিতা অমসুং দালিমানা পুশিনমিন্নরকখিবা বোল অমা দাংমৈ গ্রেসতা খায়দোরকখি। গ্রেসনা বোল অদু অম্মুক ফিভম চানা লৈখিবা টিমমেট মানিসাদা খায়দোরকপদা ম্যানমারগী গোলকিপর অদুনা মাংজৌনননা বোল অদু ফাবা ঙমখিবদগী খুদোংচাবা মাঙজখি। শান্নবগী ১৩শুবা মিনটতা ম্যানমারনা ফংখিবা কাউন্টর এটেক্ট অমদা বোল অদু ইন্দিয়াগী হাফ য়ৌশিল্লকখি। মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবী জুলাই কিয়োনা কাউশিনখিবদা পোষ্ট মপানদা হাইদোকখিবদগী মহাক্কী অনীরকশুবা ওইরম্বা য়াবা পাঞ্জল অদু মাঙজখি।

পাঞ্জল হন্দেক্লনবা শান্নরকখিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং হান্নদগী ফজবা হেনগৎলকখি। অদুবু মখোয়না পামখিবা ইক্বেলাইজর অদু ফংবা ঙমদনা লৈখি। শান্নবগী মিনট ১৫শুরকপদা ম্যানমারগী ৱিন থিয়েঙ্গি টুননা ইন্দিয়াগী দিফেন্স লাইন অদুবু নমখাইদুনা পুশিল্লকগিবা বোল অমা পেনাল্টি মতোন্দগী কাউশিনখিবদা বার মথক্তা হায়গৎতুনা পাঞ্জল ওইহৌখিদে। মেচকী মখাতানা শান্নরকপা অদুদা ম্যানমারবু চপ মান্নবা মওংদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুনা পাউখুম পীবা ঙমখি। অদুবু মখোয়না ফনা কন্না হোৎনরবসু ম্যানমারগী গোলকিপর অদু মায়থীবা পীবা ঙমদনা মেচকী অহানবা হাফ অদু ইন্দিয়া পাঞ্জল অমা শোৎখরগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদা ইন্দিয়ানা ফংখিবা কাউন্টর এটেক্ট অমা সঞ্জুনা পুশিনখি। মহাক্না রতনবালাদা খায়নননবা কাউরকখিবা বোল অদু শাফুকনখিদবদগী মরক্তা ম্যানমারগী শান্নরোয়না মুন্দুনা খুদোংচাবা মাঙজখি। মেচকী মিনট ৬০ হৌজিনখি। পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংগী মরক্তা বোল ফাবা অমসুং পাস তৌবদা ঙাইঙমদবা অমা য়াওরকখি। মদুগী অশোয়বা অদু ম্যানমারগী শান্নরোয়শিংনা মতাং মতমচানা লৌদুনা মখোয়সু অহেনবা পাঞ্জল হাপচিন্নবা হোৎনরকখি।

ইন্দিয়াগী কোচ মেমোল রোকিনা মহাক্কী রিজার্বতা লৈরিবা শান্নরোয়শিং অদু মহুৎশিন্দুনা অরোইবা খুৎলাই শিজিন্নরকখি। অদুবু ম্যানমারগী দিফেন্দরশিং মীৎকুপ নাহুমশিংনা লৈখি। ইন্দিয়া পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি। শান্নবগী অপীবা মিনট ৯০ লোয়শিল্লকখি। ইঞ্জুরি টাইম হাপখিবা অদুদা ম্যানমারগী মায়কৈদগী বোল অমা পুশিল্লকখি। মদু মুন্ননবা হোৎনবদা স্বিটিনা ফাউল তৌরুবগীদমক পেনাল্টি অমা ম্যানমারনা ফংখি। খুদোংচাবা অদু ৱিন থেঙ্গি টুননা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ইন্দিয়াবু ম্যানমারনা পাঞ্জল ২-০দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা নেপালনা ইরানবু পাঞ্জল ২-০দা থোইদুনা হিরো গোল্ড কপ ৱুমেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ফেব্রুৱারী ১৫দা শান্নগদৌরিবা ফাইনেলদা ম্যানমারগা লম্বা তৌনরগনি।

# ইন্দিয়াগী টেবল টেনিস টিমগী ফোরেন কোচ অথুবা মতমদা থৌ পুরগনি



চেন্নাই, ফেব্রুৱারী ১৩ (এজেন্সী)ঃ ইন্দিয়াগী সেনিয়র নেসনল টেবল টেনিস টিমগ অনৌবা ফোরেন কোচ থিবা লোইশিল্লক্লে। অথুবা মতমদা থবক পায়হল্লগনি হায়না টেবল টেনিস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

ফেদরেসন অসিনা কনাদাগী কোচ দিজান পাপিক অমসুং সর্বিয়াগী কোচ ভ্লাদিমির নিওবিচকী মমিং অনীমক স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াদা অনীসিগী মনুংদা অফবা অমা খন্নবা পীশিনখ্রে হায়রি।

থাজবা য়াবা পাউ অমগী মতুং ইন্না কনাদাদগী কোচ দেজান পাপিকনা ইন্দিয়াগী অনৌবা ফোরেন কোচ ওইবা য়ানা লৈরি। মরমদি অতোপ্পা সর্বিয়াগী ভ্লাদিমির নিওবচ মশাগী চহী ৮০ শুরবা মীওই অমনি। অদুগা হৌজিক হৌজিক জর্মনিদা কোচকী থৌদাং পুদুনা লৈরি হায়রি।

টেবল টেনিস ফেদরসন ওফ ইন্দিয়াগী খোঙথাং অসিদা ইন্দিয়াগী নুপাগী নম্বর ৱান শান্নরোয় জি সাথিয়াননা থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা অনৌবা কোচ অদু অমা ওইরবসু অমা হেক্তা ওইরবসু মখোয়দগী হৌজিক লৈরিবা ইন্দিয়াগী টেবল টেনিসকী থাক অসি হেনগৎপা ঙম্নবা হোৎনবা মথৌ তাই হায়খি। অথুবা মতমদা কোচ অদু থবক তৌহনবা পাম্মী হায়খি।

মশাগী চহী ২৬শুরবা জি সাথিয়ান হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা এসিয়াগী অতোপ্পা মফমশিংদা ট্রেনিং তৌবা পাম্লি। মহাক্না মরুওইনা থম্লিবা পান্দমদি চহী অসিগী লোইশিল্লকপদা মালেমগী মকোক থোংবা টেবল টেনিস নুপাগী শান্নরোয় ১৫গী মনুংদা চনবা অদুনি। হৌজিক্কী ওইনা মরু ওইবা টুর্নামেন্ট মরি মহাক শরুক য়াগদৌরি হায়না পাউমীশিংগা উনবা অমদা ফোঙদোকখি।

# এসিয়ন জুনিয়র চেম্পিয়ন অমসুং ৱর্ল্ড জুনিয়র বেদমিন্টনগী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট লক্ষ্য সেন গুৱাহাটিদা পাঙথোক্লিবা সেনিয়র নেসনেল বেদমিন্টনগী অহুমশুবা রাউন্দ মায়পাক্তুনা মরীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে



গুৱাহাতি, ফেব্রুৱারী ১৩ (এজেন্সী)ঃ অৱাং নোংপোক ষ্টেট অমা ওইরিবা অসামগী কোনুং গুৱাহাতিদা পাঙথোকপা ৮৩শুবা য়োনেক্স সনরাইজ সেনিয়র নেসনল বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী সিঙ্গলস কাংলূপ্তা লক্ষ্য সেন অমসুং হার্সিল দানি অহুমশুবা রাউন্দ মায়পাক্তুনা মরীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

কুমজা ২০১৮দা এসিয়ন জুনিয়র চেম্পিয়ন ওইখিবা অমসুং ৱর্ল্ড জুনিয়র চেম্পিয়ন্সিপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী মশাগী চহী ১৭তা ঙাইরিবা লক্ষ্য সেননা ঙসি চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ৩শুবা রাউন্দদা বিপুল সাইনিবু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১৪, ২১-১৩ থোইদুনা ৪শুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবনি। অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলস মেচ অমদা হর্সিস দানিনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ৭শুবা সিদেদ শান্নরোয় বলরাজ কজলাবুসু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১৪, ২১-১৫দা থোইদুনা মহাকসু ৪শুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী মমাংদা টাইটল লৌবা ঙল্লম্লবা সৌরব ভর্ম্ম অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরোয় রিতুপর্না দাসসু ৪শুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। ঙসি শান্নখিবা নুপাগী ৪শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা সৌরব ভর্ম্মনা ৮শুবা সিদেদ শান্নরোয় কে জগদিসপু গেম ২-১দা থোইবা ঙমখি। অহানবা গেম অদুদা সৌরবপু জগদিসনা ২১-১৮দা থোইখি। অদুবু অনীশুবা গেম অদুদা ভর্ম্মনা য়াম্না ফজবা হেল্লক্তুনা ২১-১১দা থোইখি। মদুগী মতুং অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেম অদুদসু ভর্ম্মনা ২১-১৫দা থোইদুনা ৪শুবা রাউন্দ মুনাব্বর মুহম্মদকা থেংনরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা রিতুপর্না দাসনা ৩শুবা রাউন্দদা সালোনি কুমারীবু ইকোম কোম্না ২১-১৪, ২১-১৫দা থোইদুনা ৪শুবা রাউন্দদা নামিতা পথানিয়াগা লম্বা তৌনরগনি। ঙসি শান্নখিবা ৩শুবা রাউন্দ অদুদা মায়পাক্তুনা ৪শুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রবা নুপাগী শান্নরোয়শিং অদুদি- অরিন্টাপ দাসগুপ্ত, রাহুল যাদব, জসৱন্থ, নিখিলশ্যাম শ্রিরাম, অলাপ মিশ্রা, প্রিয়ান্সু রজাৱট, অর্য্যমান টন্দনস, মিথুন এম, কৌশল ধর্মামর, রোহিট যাদব অমসুং প্রটুল জোসিনি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা ৪শুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবা অতোপ্পা শান্নরোয়শিং অদুদি- গয়াত্রি গোপিচান্দ, রিয়া মুখর্জি, মালভিকা বনসোদ, শিখা গৌতম, ভাইদেহি চৌধুরি, অদ্যা ভরিয়াথ, নমিতা পথানিয়া, রেসমা কর্থিক, ভাইসনাভি ভালে, নেহা পন্দট, ভাভ্যা রিসি, স্রুতি মুন্দাদা, ব্রুসালি জি, দিপালি গুপ্ত অমসুং দিপশিখা সিংহনি।

নাকল অমরোমদা জুনিয়র সার্ক্যটতগী সেনিয়র থাক্তা খোং থাংজিল্লক্লিবা লক্ষ্য সেননা ফোংদোকখিবদা মহাক্কী মায়কৈদগী স্পিদ অমসুং ষ্টামিনাদা অহেনবা মীৎয়েং চঙবগী তঙাইফদবা লৈরি। লোয়ননা চৎলিবা কুমজা অসিগী লোয়শিল্লকপদা বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসনগী রেঙ্কিংদা মকোক থোংবা শান্নরোয় ৩০গী মনুংদা লৈবা ঙম্ননবা হোৎননিংই হায়খি।

ওলিম্পিক ক্বালিফাইংগী টুর্নামেন্টনা অয়াম্বা ওইগদবা মরম্না মহাক্না শরুক য়াবদা টুর্নামেন্ট খল্লগা শান্নগনি। অহানবা ওইনা সুপর ১০০ অমসুং সুপর ৩০০কী টুর্নামেন্ট শরুক য়াগনি হায়খি। মমাং চহীদা মহাক্কী রেঙ্কিং অদু ৬৯-৭০ অদ্বাইদা লৈখি। মহাক্না সেনিয়র টুর্নামেন্ট শরুক য়াখিবা অদু মশিং য়ামখিদে মরম অদুনা মহাক্কী রেঙ্কিং অদু হন্থখিবনি। মমাংগী চহীদা মহাক প্রেমিয়র বেদমিন্টন লিগ শরুক য়াখি। মদুনা মহাক্কী মশান্নদা কান্নবা কয়া পীবা ঙমখি হায়না ফোংদোরক্লি।

ইন্দিয়াগী সেনিয়র শান্নরোয়শিং অসিগা ট্রেনিংদা পূন্না শান্নমিন্নবা ফংদ্রি। শুপ্নতগী টুর্নামেন্টতা লম্বা তৌনবা অদুখক্তনি হায়খি। মহাক্না ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা সেনিয়র শান্নরোয় ঐচ এস প্রনোয়গা শান্নবগা মায়পাকপা মেচ অমা য়াওখি। কিদম্বী শ্রিকান্তকী মখুত্তা মায়থীখি। অদুগা সাই প্রনিথকসু শান্নবা ফংখি হায়খি। সেনিয়র শান্নরোয়শিং অসিগা তোয়না শান্নবদা মহাক্কী মশান্নদা য়াম্না কান্নবা পীবা ঙমগনি হায়বগী খাজবা ফোংদোকখি।